# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 19-07-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি- মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিবু মালেম শিনবা থুংবদা হেন্না মশক খঙহন্নবা হোৎনবদা জে.এন. মণিপুর ডান্স একাদমিনা চাউরবা থৌদাং লৌগদবনি।

২) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- ড্রগকী করবার অসি নার্কো টেরোরিষ্টশিংগা শমবনা মসিদগী ফংলকপা শেল অদুনা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতিদা চাউনা শিংনবা ওইরক্লি।

অমসুং

৩) নিট-য়ু.জি ২০২৪ গী পরিক্ষা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবদা হায়দোকবা সুপ্রিম কোর্টনা নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিদা খঙহনখ্রে।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা সভাপতি ওইদুনা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমিগী এদভাইজরি কমিতিগী চহিগী মীফম ঙরাং রাজ ভবনদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা এজেন্দাশিং খন্নবগা লোয়ননা একাদমি অসিগী লৈখ্রিদবা গুরু অহুমগী মফমদসু ইকায় খুমবা উৎখি। মীফম অদুনা ডান্স একাদমি অসিগী হান্নগী দাইরেক্তর এল. জোয়চন্দ্র সিংহবু ভাইস চেয়ারমেন হাপ্পা অমদি একাদমিক এন্দ প্রদক্সন য়ুনিত সব-কমিতি শেম্বা হায়নসু ৱারেপ লৌখি। মীফম অদুনা একাদমি অসিদা মথোল অহুম লৈগদবা বিল্ডিং অমা শানবা প্রস্তাব তৌখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়- ডান্স একাদমি অসিনা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিবু শেমগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিবু ভারত অমসুং মপান লৈবাকশিংদা উৎননবা হোৎনগদবনি। মসিতনা লমদম অসিগী কলা সংস্কৃতিবু মালেমগী মফম শিনবা থুংনা খঙহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইগনি। মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী একাদমি অসিনা কলচরেল প্রোগ্রাম পাঙথোক্তুনা মখোয়বু পুকিং ৱাখল নুংঙাইন্না লৈহন্নবা হোৎনগনি।

সোইল (এল)ঃ রাজ্যগী হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেসন বিভাগনা শিন্দুনা স্কিল্লিং এন্দ লাইভলিহুদ প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম ঙসি অয়ুক ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তদর পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ শরুক য়াগনি।

ডে (এল)ঃ মণিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সি (মাষ্টেক) ইম্ফালনা নোর্থ ইষ্ট স্পেচ এপ্লিকেসন সেন্তর শিল্লোং অমসুং নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ত্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেকোলোজি (নৈলিট)না শিন্দুনা নেসনেল স্পেচ ডেগী থৌরম ঙসি অকামপাৎ ইম্ফালদা লৈবা নৈলিটতা পাঙথোক্লগনি। নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি- চন্দ্রায়ন থ্রি বিক্রম লেন্দরনা থাগী লৈমায়দা মায় পাকা তাখিবা অদবু নিংশিংদুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান স্পেচ প্রোগ্রামগী মতাংদা সাইন্তিষ্টশিংনা ৱা ঙাংগনি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী টিচরস ইজকেসন দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা টিচিং এইদস একজিবিসন অমা ঙরাং বিভাগ অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে। নোংমগী ওইবা থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর এন. লোকেন্দ্র সিংহ অমসুং দিপার্টমেন্ট অসিগী হেদ প্রোফেসার

প্রেমলাতা মৈস্নাম শরুক য়াখি।

হার (এল)ঃ লৌউ পান্থা মতমদা লৌমীশিংদা হার মতিক চানবা অমসুং অতাবা মমলদা ফংহনবীনবা অনৌবা শেনমিৎলোন মণিপুরনা হায়রি। চেরোল অমদা লুপ অসিনা হায়- দিল্লর, এজেন্ট নত্রগা সব-দিল্লিরশিংনা হার মমল ৱাংনা য়োনবনা লৌমীশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লি।

এআর (এল)ঃ লাঞ্জেন্নরক্তুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্রাদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লোদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা অসাম রাইফলসনা ঈশিং হাপবা পাত্র অমদি সেনিটরিগী পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে।

দিএময়ু (এল)ঃ ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী সিন্দিকেট মীফম ঙরাং পাঙথোক্তুনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিং লৌননবা কৌখিবা থবক্কী ফলসু লাউথোকখ্রে। য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লরগী চার্জসু পুরিবা সভাপতি ওইদুনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন ব্লোকতা সিন্দিকেট মীফম অদু পাঙথোকখিবনি। মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী গ্যান প্রকাশনা হায়- ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি এক্টকী মতুংইন্না টিচিং অমসুং নোন-টিচিং ষ্টাফশিং খনবগী থবক অসি রাজ্যনা অয়াবা পীরবসু সিন্দিকেটনা অমুক হন্না খন্নরগা অয়াবা পীগদবনি।

মহৈরোইশিংনা খোঙজং হন্দোক্তুনা মহৈ তম্বদা হেন্না পুকিং চংনবা আপীল তৌরদুনা মহাকা হায়- পনদুনা লৈরিবা সেমিষ্টরগী পরিক্ষাশিং অথুবা মতমদা পাঙথোকবা থৌরাং তৌরি অমদি হায়দোক্তনা লৈরিবা পরিক্ষাগী ফলশিং মথং থাগী ২০ ফাওবগী মনুংদা হায়দোক্লগনি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- ড্রগকী মায়োক্তা লান্থেংনবা হায়বসি য়ামা মরু ওইবা অমনি। মসিবু থেংনবা হায়বসি খ্বাইদগী মাংজিল থানা অমসুং

হকচিন্না লৌবা তাই।

নিউ দিল্লিদা ৭ শুবা নার্কো কোওর্দিনেসন সেন্তরগী এপেক্স লেবেল মীফমদা শরুক য়ারদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- ড্রগকী মায়োক্তা লান থেংনরিবা অসি অচৌবা সমস্য অমা ওইরক্লি। মসিবু মায় পাকা থেংনগে হায়রবদি অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা অমত্তা ওইনা পুন্না থেংনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। গৃহ মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভারতপু লম খুদিংমক্তা ইং কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা মালেমগী লুচিংবা অমা ওইনবা পান্দম থল্লি। মসিবু মায় পাকহনগে হায়রবদি হৌগৎলক্লিবা মীরোলশিংবু ড্রগতগী লাপা লৈহনবা হায়বসিনি। মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি মঙা অসিদা মোদি সরকারনা মরুওইবা হিরম অহুমদা য়ুম্ফম ওইরগা ড্রগকী মায়োক্তা লান্থেংনরি। মহাকা হায়- হৌজিক্তি ড্রগকী করবার অসি নার্কো টেরোরিষ্টশিংগা শমবগা লোয়ননা মসিদগী ফংলকপা শেল অদুনা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতিদা চাউনা শিংনবা অমা ওইরক্লি। মহাকা হায়- এজেন্সিশিংগী মরুওইবা পান্দমদি- ড্রগ শিজিন্নবা মীওইশিং ফাবা খক নত্তনা মসিগী নেটৱার্ক পুমমক থুগাইবা হায়বসিনা ওইগদবনি।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়- নার্কোতিক্সকী পোৎলমশিং ইরায় লায়না চাংয়েং তৌবা য়ানবা অহোংবা মমলদা মসিগী কিটসশিং অথুবা মতমদা ফংহল্লগনি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা গৃহ মন্ত্রিনা মানস কৌবা হেল্প লাইন সেন্তর অমসু হাংদোকখি।

নিট ঃ নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা লৌবা নিট-য়ু.জি ২০২৪ গী পরিক্ষা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা ফাওবদা এজেন্সি অসিগী ৱেব সাইটতা ফোংননবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে।

চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া দি.ৱাই. চন্দ্রচুর, জষ্টিস জে.পি. পরিৱালা অমসুং মনোজ মীশ্রাগী বেঞ্চ অমনা কেন্দিদেটশিংগী মশক নিংথিনা খঙবা য়ানবা

পরিক্ষাগী ফল অদু সহরগী মতুংইন্না অমসুং সেন্তরগী মতুংইন্না হায়দোকবা পাউতাক পীখি। মেদিকেল এন্ত্রান্স একজামগা মরী লৈননা থাংগৎলকখিবা পিতিসন ৪০ গী মথংগী হিয়ারিং নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা অমুক হন্না খন্নগনি।

য়ুনিসেফ ঃ কেন্দ্রনা হায়রি- য়ুনিসেফকী রিপোর্ট অমদা ভারত্তা তিকা থাদ্রিবা অঙাং মশিং ৱাংনা লৈ হায়রিবা ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবা দাটা অমনি। কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না হায়- লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ০.১১ তিকা শুকথা থাদবা মীওইশিংনি। ভারত্তা মীশিং য়ামা লৈবা মরমনা তিকা থাবা অঙাংশিং অতৈ লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা মশিং ৱাংলি। মন্ত্রালয়না হায়- ইং কুমজা ২০২৩-২৪ দা লৈবাক অসিদা তিকা থাবগী চাং অসি চাদা ৯৩.২৩ নি। চেরোল অদুনা হায়- ইন্দিয়া ইম্ম্যুনাইজেসন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা অঙাং কোতি ২ লাখ ৬০ অমসুং মীরোনবী নুপী কোতি ২ লাখ ৯ হিদাক কাপফম কোতি ১ লাখ ২০ রোমদা তিকা থাদোকবা পান্দম থম্লি। মিসন ইন্দ্র ধনুসকী মখাদা ইং কুমজা ২০২৩ ফাওবদা অঙাং কোতি ৫ লাখ ৪৩ অমসুং মীরোনবী নুপী কোতি ১ লাখ ৩২ হিদাক কাপথোকখ্রে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী মীফম জ্লাই ৩১ দগী হৌরগনি, জষ্টিন এন. কোতিশ্বর সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইনা ৱাশক লৌখিবা অমসুং বি.জে.পি এম.এল.এশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর উন্ননবা হোৎনরি হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

এসেমব্লিগী নোংজ্ মীফম জ্লাই ৩১ দগী ওগষ্ট ১২ ফাওবা চত্থরগনি, নুমিৎ ১৩ নিগী মীফম অসিদা সিত্তিং ৯ খক লৈগনি হায়বা পাউনা সনালৈবাক্কী

অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মণিপুর নিউজ, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসন, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, মোর্নিং বেল পাউচেশিংদা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

বি.জে.পিগী এম.এল.এ খরনা প্রাইম মিনিষ্টর উন্নজগে হায়বগী চে পীশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফাংলি।

এল.পি.জি দিল্লরশিংনা প্রোটেষ্ট তৌদুনা গ্যাস সপ্লাই লেপখ্রে, দিল্লরশিংনা হাইৱেদা অয়েৎ অপন থোকহনবা অমসুং শেলগী দিমান্দগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনবগী পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তেংনৌপলদা ম্যান্মারিস ২৪ গী বাইওমেত্রিক লৌরে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোরকপা ৱাফমনা মোর্নিং বেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- ইদিটর লোয়ালাকপগী য়ুমদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক তৌখ্রবা মতুং সোসিয়েল মিদিয়াগী খুত্থাংদা অমুক্কসু এটেক তৌবা হৌরক্লে হায়না বেন্নর হেদলাইন পীরি।

নেসনেল হাইৱেশিংদা শেল খায়বা লেপহল্লু হায়না ত্রান্সপোর্টরশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিনখিবা, মখোয়গী ৱাকৎ তাবীদ্রবদি ওগষ্ট ১ দগী থাউ টেঙ্করশিং গাড়ি চেনবা লেপ্লগনি হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঙরাংদগী জষ্টিস এন. কোতিশ্বর সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরে হায়বা পাউ অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

দি.এম য়ুনিভর্সিতিগী রেজিষ্ট্রার য়াওনা মরুওইবা পোষ্টশিং হাপখ্রে, ভি.সি. খন্ননবা সেলেক্সন কমিতিদা থারগনি হায়না কম্মিসনার ওফ হায়র ইজ্‌কেসন্না ফোংদোরকপা ৱাফমনা মণিপুর নিউজগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি-জো কাংলুপকী মনুং চনবা মার নহা অহুম হাৎপগীদমক আই.টি.এল.এফ অমসুং কিমনা অসাম পুলিসপু মরাল শিরকপগী পাউ পিপলস

ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রিলিফ কেম্পতা লৈরকখিবা অহল অমসু শিরে, দি.সিদা পোৎলোইবদা চংগদবা শেল তেংবাংবীয়ু হায়রুবদা পীরক্তবদগী ময়ামা খাইগৎনরগা পোৎলোইখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

আই.টি.এল.এফনা অসাম পুলিসকী ফেক ইনকাউন্তরগীদমক মরাল শিরক্লি, অচুম্বা ৱায়েল দিমান্দ তৌরক্লি হায়বা অসিনা গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী ৬ শুবা মীফম থা অসিগী ৩১ দগী ওগষ্ট ১২ ফাওবা চত্থরগনি হায়না ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- ইম্ফাল নাগা ফোরমনা চীংমীশিংবু হেন্না শক্তি পীবা পাল্লি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অনিরকশুবা ওইনা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিংনা পি.এম. উন্নজগে হায়খ্রে, মমাংগী সেপ্তেম্বরদা হায়জবদা পি.এমনা হোম মিনিষ্টর ওইনা উন্ননবা খঙহল্লকখি হায়বা পাউনা সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------